**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-06-2026)**

**পুলিস(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী মখা তানা এরিয়া দোমিনেসন য়াওনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং অমদি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ব্রাউন্দ সুগর ওইগনি চিংনবা পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে। পাউ অদুনা মখা তানা হায়- ঙরাং থৌবাল জিলাগী লিলোং সন্থুখোং এরিয়াদগী নুপী অমা য়াওনা মীওই অহুম ব্রাউন্দ সুগর ওইগনি চিংনবা চাউরাকা গ্রাম ৮০ রোম লুপ্পা পোৎলমশিংগা লোয়নননা ফাগৎখি। পোৎলমশিং অদু সাপোন কেপ অনিদা হাপ্তুনা পুরম্বনি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মিনুংথোং এরিয়াদগী মীওই অমা ব্রাউন্দ সুগর ওইগনি চিংনবা কিলোগ্রাম অমরোম লুপ্পা পোৎলমশিং ফাখি। মীওই অসি বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তদগীনি। হৌজিকা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবনি হায়রি।

অমরোমদা, নুমিৎ অসিমক্তদা মনিপুর পুলিসনা সোরেপাগী এক্তিব কাদর অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং ইম্ফালদগী ফাখি। মীওই অসি মোরে বজার ৱার্ড নম্বর ৮ দগীনি। মীওই অসি মীচম মীয়ামদগী কিহন খঙহন্দুনা নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নে হায়রি।

**ৱার্কশোপ (এল) ঃ** ষ্টেট মোদেল দিষ্ট্রিক্ট ইম্ফাল ৱেষ্ট হৌদোকপগী থৌরম ঙসি হস্ফালগী ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসি মনিপুর সরকারগী আয়ুসমান ভারত দিজিটেল মীসন অমসুং আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন্ন অরোগ্যা য়োজনানা শিনবনি।

থৌরম অসিদা এন.ঐচ.এগী সি.ই.ও-ডা: সুনিকুমার বর্নৱাল য়াওনা মনিপুর সরকারগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বালগী সেক্রেটরি অমদি কম্মিস্নারগী থৌসু পুরিবা সুমন্ত সিংহ য়াওনা বিভাগ অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়াগনি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না মোদেল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কশোপ অমসু পাঙথোক্কনি।

**চান্দেল(এল) ঃ** চান্দেল জিলাদা ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক ডে পাঙথোকপগা লোয়ননা পাক শন্না উ থাবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা শিনদুনা জিলা অসিগী জিওনলাং ভিলেজ ফুটবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবনি। থৌরমদুদা এম.এল.এ-এস.এস. ওলিস য়াওনা সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**চাকথোং(এল) ঃ** কঞ্জুমরশিংনা চাকথোং গ্যাসশিং মতৌ করমা শিজিন্নগনি অমদি থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংগী মতাংদা খঙহন্নবা পান্দমদা ওল গ্যাস কিয়ার এজেন্সি মনিপুর ষ্টেট অমসুং অনৌবা ময়োল দি.এল.এফ. অমসুং য়াম্বেম লমজিং মৈরা (ভি.এল.এফ) কা পুন্না শিনদুনা নোংমগী ওইবা মীয়াবু খঙহনবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইরিপোক য়াম্বেম লাই লম্পাক কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চাকথোং গ্যাস শিজিন্নবা অমদি মদু শিজিন্নবদা চেকশিনদবদগী থোকপা য়াবা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোকবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**ফুটবোলঃ** ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই. সি.বি.ই. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ফাইনেল মেটচ ঙসি ইম্ফলগী

মপাল কাংজৈবুংদা শান্নরগনি।

ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথুরকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা এইম-খাবমগা উৎলৌ এফ.সিগা শান্নগনি।

লোয়শিনবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখোনচিংবা শরুক য়াগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মালেমগী হোংলক্লিবা ফিভম অসিদা ঙাকশেলগী তেংবাং পীনবা, টেরোরিজমননা পীরকপা শিংনবশিং অমদি সাইভর সেক্যুরিতিগী অমদি অনৌবা টেকোলোজিশিং অসি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা ব্রিক্স লৈবাকশিংনা অচৌবা দায়ত্ব লৌরি।

প্রধান মন্ত্রিনা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজরশিং অমসুং মকোক থোংবা সেক্যুরিতি ওফিসিএলশিংগসু ন্যু দিল্লিদা উন্নখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ব্রিক্স লৈবাকশিংগী মরক্তা অমনা অমবু তেংবাংনদুনা মালেমগী ওইবা হীরম কয়াদা পুন্না চৎমীন্নবা তঙাইফদে।

**রাইটসঃ** নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন.ঐচ.আর.সি) গী চেয়ারপার্সন-জষ্টিস-রামা সুব্রমনিয়মনা হায়রি-কম্মিসন অসি ১৯৯৩ দগী লিংখৎলকপদগী হৌখিবা চহি ৩২ অসিদা মীওইবগী হক খোঙ্গাউনবা কেস লাখ ২০ হেন্না পায়খৎখ্রে।

কুরগিজ রিপাব্লিক্তা মীওইবগী হক অমদি নীং-খা তম্বা হায়বা হীরমদা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস ইন্সটিট্যুসন, ষ্টেট বোদিস অমসুং সংহাই কোরপোরেসন ওর্গনাইজেসনগী অহানবা কন্সলটেটিব মীফমদা ৱাফম অসি শ্রী রামা সুব্রমনিয়মনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-মীফম অসিনা জিও পোলিটিক্স অমদি সোসিও ইকোনোমিদা শিংনরকপা কয়া থেংনবা ঙমহল্লগনি। নেসনেল

হ্যুমেন রাইটস ইন্সটিট্যুসনশিংনা মীয়াম অমদি সরকারগী মরক্তা থাজনবা থমদুনা লমদম অদুবু হেন্না তংদু লৈতাহন্নবা হোৎনবদা অচোবা থৌদাং লৌরি।

**নিরমালাঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামনগা জমৈসন গীরনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ ষ্টেট ত্রেদ রিপ্রজেন্টেটিবকী মীহুৎ কাংবু অমগা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা উন্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রীমতি সিতারামননা হায়-উন্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক অমদি শেল থুমগী তেংবাং পীনদুনা লল্লোন ইতিক অমদি চাউখৎ মায়কৈদা হেন্না খুমাং য়াংশিলহনবা ঙমহল্লগনি।

**দোবালঃ** নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর-অজিত দোবালগা চাইনাগী মপান থৌরম মন্ত্রি-ৱাং-লিগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা তেংবাং পীনবা অমদি অফবা মরী থমবগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ৱাঙাংলোয়-রনধির জেসৱালনা হায়-ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা অমনা অমগী তেংবাং পীনবা য়াওনা লম কয়াগী মতাংদসু খন্নখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক ডেগী পালন থৌরম মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ মিনিস্তর-য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, এ.টি. ফাদনবা দি.জি.পিগা ৱারী শান্নরে হায়বা হোম মিনিস্তর-গোবিন্দাসকী ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী

অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনা লৈবাক, মনিপুর মেল, গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতা ফোংলি।

মনিপুর য়াওদনা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মপুং ফাদে হায়না চীফ মিনিস্তর-য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

উখ্রুল-তাদুবী লক্ষ্মী ফাওনদ্রে। পোৎ পুবা ত্রক ১০০ হেন্না পন্দুনা লৈরি হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এ.টি. ফাদনবা দি.জি.পিগা ৱারী শান্নরে-গোবিন্দাস, তম্পাক্তা খুৎলায়শিং লোৎলগা লৈরি হায়বগী পাউ লৈ। খুৎলায়শিং অদু পীখৎলক্লো হায়বসিনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

এ.টি. ফাখিবগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ-সনা লৈবাক য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ৱাথোক ওইখ্রবা ২০১৩ গী মনিপুর পুলিস কন্সটেবল লিশিং অনি লৌবগী দি.পি.সি. হায় কোর্টনা অমুক ৱায়েল চত্থগদৌরি হায়বসিনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মীহাৎ থিনা হাৎলল্লবা নাগা মীচম তরুক ফাখিবগী হায় কোর্টতা কেস ৱায়েল চত্থরকপদা এন.আই.এগী আই.ও. মশামক কোর্টতা লাকখ্রে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক ডে রনদা চীফ মিনিস্তর শরুক য়াখ্রে হায়বসিনা

মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেলদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস কন্টিজেন্টতা মনিপুরগী শান্নরোই য়াওদ্রবদি মপুং ফাদে হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফমনা হেদলাইন তৌরি।

মতমগা চুন্নবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর থমবা কোতি মঙা কায়থোক্লে হায়না ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক ডে রনগী থৌরমদা স্পোর্টস মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী স্পোর্টস কলমদা ফোংলি।